# স্পেনগী নদালনা জোকোবিচ মায়থীবা পীদুনা ফেদররগী গ্রান্দস্লাম টাইটল ২০গা মান্নখ্রে



পেরিস, ওক্টোবর ১১ (এজেন্সী): ফ্রান্সকী সিটি পেরিসতা লৈবা রোলান্দ গেরোস ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেচতা ক্লে কোর্টকী নিংথৌনি হায়না মীয়াম্না লৌনরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচপু ষ্ট্রেট সেট অহুমদা মায়থীবা পীদুনা মশাগী করিয়রগী ওইনা গ্রান্দস্লাম টাইটল ২০ লৌবা ঙমদুনা হান্না স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা লৌখিবা টাইটল ২০ অদুগা মান্নবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুগী হৌরকপদা নদালগী মশান্না অদুদা জোকোবিচ খূৎ হনবা ঙমখিদে। মহাক্কী সর্ভিস গেম অহুম্মক নদালনা ব্রেক তৌদুনা ইকোম কোম্না ৬-০দা থোইরগা সেট অমা মাংজিল থাখি।

নদালনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলগী অনীশুবা সেট অদুসু জোকোবিচতগী ফজবা হেনখি। সর্ভিয়াগী শান্নরোয় অদুনা মহাক্কী মায়কৈদগী সর্ভিস গেম অনী হোল্ড তৌবা ঙমজরবসু নদালনা অমুক্ক হন্না সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবদগী ৬-২দা থোইদুনা টাইটলগী লম্বেল অদু নকশিনখি।

পনবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল য়ৌরকপা ফাওবদা নদালনা মহাক্কী লম্বাশিংগা শান্নবদা সেট অমা ফাওবা মায়থীদনা লাকখি। অহুমশুবা সেট অদুদা জোকোবিচনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা গেম ৫-৫ ফাওবা মান্নরকখি। অদুবু নদালনা য়াম্না মরুওইবা সর্ভিস গেম অমসু ব্রেক তৌদুনা সেট অদু ৭-৫দা থোইরগা মহাক্কী ২০শুবা গ্রান্দস্লাম টাইটল অদু লৌবা ঙমখি। ফ্রেঞ্চ ওপনগী ওইনা মহাক্না ঙসি ফংলিবা টাইটল অসি থারগা ১৩রকশুবা টাইটলনি। য়ু এস ওপনগী টাইটল মরিরক লৌবা ঙমখ্রে। ৱিম্বলদন টাইটলনা অনীরক, অদুগা ওষ্ট্রেলিয়াগী ওপননা অমুকরক ফংবা ঙমখ্রে। ক্লে কোর্টতদি নদালনা থম্লিবা রেকোর্দ অসি অতোপ্পা অমনা থুগায়বদা খরা ৱানা থোক্লগদবা রেকোর্দ ওইরি।

# রাজস্থান রোয়েলসনা সনরাইজর্স হায়দরবাদ ৱিকেট ৫দা মায়থীবা পীখ্রে, মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা দিল্লি কেপিটেলসপুসু ৱিকেট ৫দা থোইখ্রে



অবুধাবী/দুবাই, ওক্টোবর ১১ (এজেন্সী): রাজস্থান রোয়েলসকী মিদল ওর্দর বেটচমেনশিংনা ফজবদগী সনরাইজর্স হায়দরবাদপু ঙসি শান্নখিবা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ২৬শুবা মেচতা থোইবা ঙমখ্রে। অতোপ্পা মেচ অমদনা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা দিল্লি কেপিটেলসপুসু ৱিকেট ৫দা থোইখ্রে।

দুবাই ইন্টরনেসনল ষ্টেদিয়মদা সনরাইজর্স হায়দরবাদকী কেপ্টেন দেবিদ ৱার্নরনা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা মখোয়না অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা রন ১৫৮ লৌরমখি। হৌরকপদা টিম অদুগী ওপনর ওইখিবা বার্ষ্টো রন ১৬খক লৌরম্লগা আউট ওইখিবদগী মানিশ পান্দে শান্নবা চঙলকখি।

পান্দেনা মখোয়গী কেপ্টেন অমদি ওপনরসু ওইরিবা ৱার্নরগা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপগীদমক পূন্না রন ৭৩ হাপচিন্দুনা স্কোর বোর্দতা রন ৯৬ য়ৌহল্লকখি। কেপ্টেন ৱার্নর ১৫শুবা ওভরদা বোল ৩৮ মায়োক্লখিবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৪৮ লৌরমখি। মহাক্কী মহুৎ ৱিলিয়মসননা শিল্লকখি। ইকান কান্নদনা ওভর ৩ লৈরগা টিম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা ওইনা মনিশ পান্দেনা বোল ৪৪দা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ২ য়ৈরগা রন ৫৪ লৌরমখি। মতম অদুদা পূন্না রন ১২২ লৈখিবনি। মখা তারকপদা ৱিলিয়মসন অমসুং প্রিয়াম গর্গনা বোল ১৩দা রন ৩৬ লৌরগা অপূনবা স্কোর অদু রন ১৫৮ শুহনখি।

মেচ মায় পাক্লনবা রাজস্থান রোয়েলসকী মায়কৈদগী রন ১৫৯ টার্গেট লৈখি। মখোয়না ইন্নিংস অদুগী শান্নবা লোইশিনগদবা বোল অমা ৱাৎলিঙৈদা ৱিকেট ৫ আউট ওইরগা রন ১৬৩ লৌদুনা মখোয়না ৱিকেট ৫দা থোইবা ঙমখি।

টিম অদুগী মকোক থোংবা বেটচমেনশিং ফজবা ঙমখিদবদগী তরুকশুবা অমসুং তরেৎশুবা বেটচমেন ওইখিবা রিয়ান প্রাগ অমসুং রাহুল টিৱাটিয়ানা আউট ওইদনা মথংশিংনা রন ৪২ অমসুং ৪৫ লৌরম্বা অদুনা টিম অদু মায় পাকপগী লম্বেলদা পুবা ঙমখিবনি। প্রাগনা বোল ২২দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ২ য়ৈখি। অদুগা টিৱাটিয়ানা বোল ২৮দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরমখি।

অবুধাবীগী সৈখ জায়িদ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ২৭শুবা মেচতা দিল্লি কেপিটেলসনা টোস ঙমদুনা বোটিং হান্না তৌখি। মদুদা মখোয়না অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা পুন্না রন ১৬২ লৌবা ঙমখি।

টিম অদুগী ওপনর সিখর ধৱননা বোস ৫২দা সিক্স ১গা ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৬৯ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী খ্বায়দগী ফজবা পর্ফোমেন্স ওইখি। দিল্লি কেপিটেলসকী ইন্নিংস হৌরকপদা য়াম্না ফজবা ওইখিদে।

ওপনর পৃখিবী সো শুপ্নগী রন ৪দা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা রহানেসু রন ১৫দা আউট ওইখি। কেপ্তেন শ্রিয়াস আয়র অমসুং সিখর ধৱননা ৩শুবা ৱিকেট পার্টনর্শিপকীদমক রন ৮৫ হাপচিনখিবা অদুনা খ্বায়দগী ফজবা পার্টনর্শিপ ওইখি।

শ্রিয়াস আয়র ১৫শুবা ওভরদা বোল ৩৩ মায়য়োক্লবদা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৪২দা আউট ওইখি।

মখাবা বেটচমেন ষ্টোইনিস রন ১৩দা আউট ওইখি। অদুবু ওপনর সিখর ধৱন অমসুং অলেক্স কেরিনা ইন্নিংসকী স্কোর অদু ১৬২ য়ৌহল্লকপনি। মায়পাক্লবা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা রন ১৬৩ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী ওপনর দি কোক অমসুং অহুমশুবা বেটচমেন সুরয়াকুমার য়াদবনা য়াম্না ফজবা মওংদা রন ৫৩/৫৩ লৌবা ঙমখিবা অদুনা মায়পাক্লবগী লম্বেল শেম্লম্বনি। দি কোকনা বোল ৩৬ মায়োক্লবদা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরমখি। অদুগা য়াদবনা ১৫শুবা ওভর ফাওবা বোল ৩২দা সিক্স ১গা লোয়ননা ফোর ৬ য়ৈবা ঙমখি।

মখাতারকপদা ইসান খাননা রন ২৮ লৌরম্বা অদুসু মরু ওই। মহাক আউট ওইখ্রবা মতুং কৈরোন পোলার্দ অমসুং ক্রুনল পন্দ্যনা আউট ওইদনা মথংশিংনা রন ১২ অমসুং ১২ লৌরম্বা অদুনা মায়পাকপগী রন অদু ৱিকেট ৫ তুরগা ২০শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা রন হেদোক্লুনা ১৬৬ য়ৌরগা মেচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৫দা থোইখি। হয়েং আর সি বি অমসুং কে কে আরনা ২৮শুবা মেচ শান্নগনি।

# ৩শুবা নোর্থ ইষ্ট থাঙ-তা ফেষ্টিবল

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা অহুল্লকশুবা ওইনা নোর্থ ইষ্ট থাঙ-তা ফেষ্টিবল ঙসিদগী য়ুম্নাম হুইদ্রোমদা লৈবা হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন, মণিপুরগী শঙলেনদা হৌখ্রে।

সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা পাঙথোকখিবা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা সঙ্গিৎ নাটক একাদমী এৱার্দী অমসুং ইরিলবুংদা লৈবা হুয়েন লালোং মণিপুর থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসনগী প্রিন্সিপাল কম দিরেক্টর কে সনাথোইবা শর্ম্মনা চীফ গেষ্ট, হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ঐচ প্রেমকুমারনা থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখি।

মহাত্মা জ্বোতিবা ফুলে ফেলোশিপ নেসনল এৱার্দী লোয়ননা এসোসিএসন ফোর পাউনা মেমোরিএল আর্টস এন্দ রুরেল দিভলপমেন্ট সার্ভিসেসকী সেক্রেটরি কে হেমচন্দ্র শর্ম্মা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট টিঐচ প্রিয়োকুমার অনীনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

৩শুবা নোর্থ ইষ্ট থাঙ-তা ফেষ্টিবল অসিদা পুন্না ইন্সটিট্যুট ১৫দগী আর্টিষ্ট ১৩৫না শরুক য়াখি।

# *আই লীগ ক্বালিফাইয়র্স :* মহমদন স্পোর্টিং ক্লব অমসুং এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদ মায় পাকখ্রে

কোলকাটা, ওক্টোবর ১১ (এজেন্সী): আই লীগ ক্বালিফাইয়র্সতা ঙসি মহমদন স্পোর্টিং ক্লব অমসুং এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদ মখোয়-মখোয়গী মেচশিং থোইবা ঙমখ্রে। মহমদন স্পোর্টিংনা এ আর এ এফ সীবু পাঞ্জল ৪-১দা থোইখি, অদুগা এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদনা গরৱাল এফ সীবু ১-০দা থোইখি।

কোলকাটাগী সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা অহানবা ওইনা মেচ ফংখিবা গুজরাটকী অহমদবাদতগী লাকপা এ আর এ এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা ক্বালিফাইয়র অসিগী অহানবা মেচসু মায় পাকখ্রবা মহমদন স্পোর্টিংগী মায়কৈদগী বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মহমদন স্পোর্টিংনা মখোয়গী অহানবা মেচতা গরৱাল এফ সীবু ১-০দা থোইরম্বনি।

শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী মরুওইবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা ত্রিনিদাদ মচা ৱিলিস প্লাজানা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মিনট ২ লৈরগা এ আর এ এফ সীগী গোল কিপ্পর ইপ্রোটিব দাসনা পাঞ্জল চনবা য়াবা শোট অমা ঙাকথোকপা ঙমখি। মখা তারকপদা মহমদন স্পোর্টিংগী মায়কৈদগী অভিসেক রিজলনা অনীশুবা অদুগা হাফ অদুগী ৩৬শুবা মিনটতা সাংতেনো অহুমশুবা পাঞ্জল চনখি। অনীশুবা হাফতা অরাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙম্লবসু এস এ ফাইজনা মরিশুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা এফ সী বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ৱিলিয়ম ওপোকুনা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু গরৱাল এফ সীগী মায়কৈদা চনখি।

# স্পেন অমসুং জর্মনি মায়পাকপা ঙমখ্রে

মাদ্রিদ/কীয়ব, ওক্টোবর ১১ (এজেন্সী): য়ুরোপিয়ন নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নাংমেন্টকী লীগ 'এ'গী গ্রুপ ৪গী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অনীদা স্পেননা স্বিজর্লেন্দবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখ্রে অদুগা গ্রুপ অসিমক্কী অতোপ্পা মেচ অমদনা জর্মনিনা য়ুক্রেনবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

গ্রুপ অসিগী অহানবা মেচতা জর্মনি অমসুং স্পেন শান্নবদা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি। মদুগী মতুং স্পেননা য়ুক্রেনবু মায়থীবা পীদুনা ঙরাং গ্রুপকী অহুমশুবা মেচ অদু স্বিজর্লেন্দগা লম্বা তৌনখি। মাদ্রিদতা লৈবা অলফ্রিদো দি ষ্টিফানো ষ্টদিয়মদা শান্নরকপা অদুগী ১৪শুবা মিনটতা স্পেনগী এটেক অমদা মেরিনোনা পাস তৌরকপা বোল অমা মাইকেলনা চন্দুনা মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ওইদুনা গ্রুপ অসিদা পোইন্ট ৭ ফংলগা মাংজিল থারি।

কীয়বতা লৈবা এন এস কে ওলিম্পিক ষ্টদিয়মদা জর্মনি অমসুং য়ুম্বু য়ুক্রেনগা লম্বা তৌনখিবা মেচ অদুগী ২০শুবা মিনটতা জর্মনিগী মাথিয়াসনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অনীশুবা হাফকী অঙনবদা জর্মনিগী গিন্টরনা পাঞ্জল অমগা চল্লবা মতুং য়ুক্রেনগী মালিনোবস্কিনা পেনাল্টি অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমখক চল্লগা জর্মনিনা ২-১দা থোইখি।

জর্মনিগী টিম ঙরাং মায়পাকখ্রবসু গ্রুপ 'এ-৪'গী পোইন্ট টেবলদা মেচ ৩ শান্নবদা মেচ অনী দ্রো চৎখিবা অমসুং মেচ অমা থোইদুনা পোইন্ট ৫ ফংখিবদা লোয়ননা স্পেনগী মথংদা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরি। লীগ এদা লৈরিবা গ্রুপ ৪দগী মকোক থোংবা টিম ৪না সেমীফাইনেল শান্নগনি। মমৈ তাহৌবা টিম ৪ লীগ বিদা রেলিগেৎ তৌগনি।

# ফুটবোল কোচ সোমেন্দ্রোদা শেলগী মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএনএস): মণিপুরগী ফুটবোলগী লম্দা এ এফ সী 'সী' লাইসেন্স কোচ অমা ওইনা মণিপুরগী অন্দর ১৪ বোইজকী টিম কোচ ফাওবা ওইখিবা, অম্ফাগী মখাদা গ্রাসরুট ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম কয়াগী কোচসু কয়ারক ওইখ্রবা, দি এস এ ককচীংগী স্পোট্রসু ওইবা নাওরেম সোমেন্দ্রোনা কিদনিগী প্রোব্লেম লৈদুনা রিমসতা লায়েংদুনা লৈরিবা অসিদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংগী মায়কৈদগী মহাক্কী লায়েংবদা মতেং ওইনবা লুপা ১০,০০০গী শেলগী মতেং ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা খূৎশিন্নখ্রে।



দি এস এ, ককচীংগী প্রসিদেন্ট য়েংখোম মাঙ্গোলজাও, সেক্রেটরি এম নিল্লো অমসুং এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিং য়াওনা তেংবাংগী শেনফম অদু খূৎশিন্নখি।

তেংবাংপীবা অদুগী মতাংদা দি এস এ, ককচীংগী সেক্রেটরি এম নিল্লোনা পাউ মীশিংদা ফোঙদোকখিবদা নাওরেম সোমেন্দ্রো ককচীং লমদম অসিগীখত্তা নত্তনা মণিপুরগী ফুটবোলগী চাওখৎনবা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মীওই অমনি। মণিপুরগী মশক নাইরবা ফুটবোল শান্নরোয় অমা ওইনা হৌরকখি। এ এফ সী 'সী' লাইসেন্স কোচ অমা ওইনা অঙাং কয়াবু ফুটবোল তাকপী তম্বীবগী থবক কয়া পাঙথোক্তুনা অফবা শান্নরোয় কয়া পুথোকখ্রে। দি এস এ ককচীং অমসুং দি এস এ ককচীংগী মখাদা শিনবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট কয়াদা স্পোট্রর ওইনা থবক তৌদুনা লাক্লিবা মীওইনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, কখোকপা কয়াগা লোয়ননা ফুটবোল চাওখৎনবা হোৎনরিবা সোমেন্দ্রোনা খঙহৌদনা হকচাং ঙল্লক্তবদগী রিমসতা লায়েং চথুদুনা লৈরিবা অসিদা দি এস এ, ককচীংগী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংজবনি। সোমেন্দ্রোনা মহাক্কী অনাবা য়াম্না থুনা ফগৎলক্তুনা মহৌশাগুম হৌরক্লিবা ফুটবোল শান্নরোয়শিংবু তাকপী-তম্বীবা ঙম্বা অদু তাইবঙমপুনা মহাক্কী মফমদা পীনবীবা ওইরসনু হায়নসু থৌনিজরি হায়না ফোঙদোকখি।

# গনসেখরন পোলেন্দগী টেবল টেনিস লীগতা শরুক য়াগদৌরি

চেন্নাই, ওক্টোবর ১১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপাগী নম্বর ৱান টেবল টেনিস শান্নরোয় ওইরিবা শাথিয়ান গনসেখরননা থা ৭কী মতুংদা অহানবা কম্পিটিসন ওইনা পোলেন্দদা পাঙথোক্কদবা পোলিশ সুপরলিগা টেবল টেনিস টুর্নামেন্টতা লৈবাক অদুগী ক্লব মহাক্লসু য়াওরিবা সোকোলো এস এ জারোস্লোগী মায়কৈদগী শান্নরগনি।

গনসেখরন পোলেন্দগীদমক্তা থা অসিগী ১৫দা ইন্দিয়াদগী খোঙশানগদৌরি। মহাক হয়েং কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌথোক্কনি। করিগুম্বা নেগেটিভ ওইরক্লবদি মহাক এয়র ফ্রান্স এয়রলাইন্সতা চৎপা য়াগদৌরিবনি। লোয়ননা পোলেন্দ য়ৌরবা মতুংদসু মহাক ক্বারন্টিন তৌরোইদৌরি।

গনসেখরননা ইন্দিয়াদা লৈরিঙৈদা লোকদাউন লৈবা মরম্না কম্পিটিসন অমত্তা লৈখিদ্রবসু মহাক্কী মশান্না অদুগী পাঙ্গল হন্থদনবা ময়ূমদা রোবোট অমগা ট্রেনিং তৌদুনা লৈখি। নুমীৎ ২২৪গী মতুংদা গনসেখরননা মহাক্কী অহানবা কম্পিটিটিভ মেচ অদু ওক্টোবর ১৬তা শান্নরগনি। পোলিশ লীগ টেবল টেনিস টুর্নামেন্ট অদুদা পূন্না টিম ১৩না হোম এন্দ অৱে বেসিসতা মথং চহীগী জুন থা ফাওবা শান্নগদৌরি।

নীংশিংবা য়াই, গনসেখরন শাথিয়ান ইন্দিয়াগী অহানবা টেবল টেনিস শান্নরোয় ওইনা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা মকোক থোংবা ২৫গী মনুংদা চনবা ঙমখিবনি। মমাং চহীগী জুলাই থাদা মহাক ৱর্ল্ড নম্বর ২৪দা হাইগৎখি। লোয়ননা মহাক্না জপানগী মকোক থোংবা টেবল টেনিস লীগ টুর্নামেন্ট-তসু মফম অদুগী ক্লব ওকায়ামা রিবেটসকা খূৎয়েক পীনদুনা জপান টেবল টেনিস লীগ শান্নবা য়াওগদৌরিবনি। মহাক্কী য়ুরোপিয়ন এক্সপোজর অমসুং জপানগী এক্সপো-জর অসিনা হান্না লৈরিবা টেক্নিক্তগী অহেনবা শোয়দনা ফংলগনি।

# লিকমাবম সুশিলা য়াওবা ইন্দিয়াগী জুদোকা মঙা গ্রান্দস্লাম ২০২০ শরুক য়ারুরগনি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১১ (এজেন্সী): চৎলিবা থা অসিগী ২৩দগী ২৬ ফাওবা হঙ্গেরিগী সিটি বুদাপেষ্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল জুদো ফেদরেসনগী ইভেন্ট অমসু ওইরিবা গ্রান্দস্লাম ২০২০ কম্পিটিসনদা লিকমাবম সুশিলা য়াওনা অতোপ্পা জুদোকা মরিগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী টিম শরুক য়াগদৌরি।



কোচ অমগা লোয়ননা ইন্দিয়াদগী ওক্টোবর ১৯দা খোঙশানগদৌরিবা জুদোকাশিং অদুদি মশাগী চহী ২৫ শুরবী লিকমাবম সুশিলা (কেজি ৪৮), চহী ২৭শুরবী তুলিকা মান (কেজি ৭৮) অদুগা নুপাগীদা চহী ২৮শুরবা অভটার সিংহ (কেজি ১০০), চহী ২২শুরবা জস্লিন সিংহ সাইনি (কেজি ৬৬) অমসুং মশাগী চহী ২৪শুরবা বিজয় য়াদব (কেজি ৬০)নি। মখোয়বু লমজিংগদৌরিবা কোচ অদু জিবন শর্ম্মনি।

জুদোকাশিং অসিনা হঙ্গেরি য়ৌবা মতমদা নুমীৎ ৪৮নি কান্নরগা লৌবা পি সী আর টেষ্টতা কোভিদ-১৯ নেগেটিভ রিজল্ট অনী ফংগদবনি। ইন্দিয়াগী জুদোকা টিম অসিগী খোঙচৎ অসি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমসুং স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা চঙগদবা শেনফম পূম্নমক পুথোক্কদৌরি। শান্নরোয়শিং অসি মখোয়-মখোয়না হৌজিক লৈরিবা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী মতুংইন্না খনবনি। সুশিলা মমাংগী চহীদা কমনৱেল্থ জুদোদা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবী জুদোকানি।




# এস এফ আইনা নৌনা থবক হৌবগী এস ও পি শেমখ্রে

মুম্বাই, ওক্টোবর ১১ (এজেন্সী): স্বিমিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এস এফ আই)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অমদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা স্বিমরশিংবু ট্রেনিং মখা তানা চথবা য়াননবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকা মান্নবা মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) পুথোক্তুনা ওক্টোবর ১৫দগী স্বিমিংগী থবক থৌরমশিং হৌননবা শিল্লি।

স্বিমিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা মসিগা মরী লৈননা মরুওইবা গাইদলাইনশিং অদু য়াওবা ভিদিও কেম্প্যেন অমসু হৌদোক্তুনা শরুক য়াগদৌরিবা স্বিমরশিং, ওফিসলশিং, কোচ অমদি সপোর্টষ্টাফশিং এস ও পি অদু হেন্না মরিক চুম্না খঙননবা থবক পায়খৎলি। ইরাই নুমীৎতা মিনিষ্ট্রিনা থোকখিবা অনৌবা এস ও পি অদু হেক ফংবগা ষ্টেটকী য়ুনিটশিংগা লোয়ননা পাউ ফাওদোক্তুনা থবক হৌনবা শিল্লকপনি।










Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com